

ইলেক্সন কম্মিসননা ষ্টেট ৬ কী হোম সেক্রেটরিশিং লৌথোক্লবা ওর্দর তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি) : ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই) না ঙসি গুজরাট, উত্তর প্রদেশ, বিহার, ঝরখন্দ, হিমাচল প্রদেশ অমসুং উত্তরখন্দগী চিফ মিনিষ্টরশিংগী ওফিসতা থবক পুরিবা হোম সেক্রেটরিশিং লৌথোক্লবা ওর্দর থোকখ্রে।

লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসি মরীকচুম্না পাঙথোকপা ঙম্নবা ই সি আই না ঙসি লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগী মনুং চন্না মিজোরাম অমসুং হিমাচল প্রদেশকী সেক্রেটরি (জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিপার্টমেন্ট) সু লৌথোক্লবা খঙহনখ্রে। মসিগা লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসসু লৌথোক্লবা ওর্দর থোকখি।

ই সি আই না ষ্টেট লৈঙাকশিংদা মীখলগা মরী লৈনবা হিরমশিংদা চহী ৩ হেন্না থবক তৌরক্লবা অমসুং মশাগী যুম লৈবা দিষ্ট্রিক্টতা থবক পুরিবা মীওইশিংসু ত্রান্সফর তৌনবা খঙহল্লকখি।

ওর্দর অসি মার্চ ১৬ তা থা অমা মখায় চুপ্পা লোক সভা মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি। হৃদক্কী মীখল অসিনা কুমজা ১৯৫১-৫২ দা থা ৪ চংনা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সন অদুগী মতুংদা খ্বাইদগী শাংনা পাঙথোকপা মীখল ওইরগনি হায়রি।

ই সি আইগী খোঙথাং অসি ষ্টেটশিং অসিদা মীওইশিং অসিনা চিফ মিনিষ্টরগী ওফিস মখাদা দ্যুল চার্জ পুরম্বা থেংনবদগী লৌখৎলকখিবনি হায়রি।

অদুবু ই সি আই না পীখিবা দিরেক্তিব মহারাষ্ট্র লৈঙাক্লা ইন্দবদগী কম্মিসন অসিনা ব্রিহানমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (বি এম সি) গী এদিসনেল অমসুং দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিং অদু ঙসি নুমিদাং পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা ত্রান্সফর চৎনবা ওর্দর থোকখি। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী চিফ সেক্রেটরিদা বি এম সি গুম্বা অতোপ্পা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনশিংগী এদিসনেল অমসুং দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিং অদু অতোপ্পা মফমশিংদা ত্রান্সফর খুদক্তা থানবা খঙহনখি হায়রি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি লাক্লিবা মীখল অসিদা লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা মরিক চুম্না অমদি মীচং মীখায় নাইদনা মীয়াম্না ভোট থাদদুনা ইন্দিয়াবু মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্লি হায়বদু চপ চানা ঙাক্লা থন্না ঙম্নবা লৌখৎপা থৌরাংনি হায়না চিফ ইলেক্সন কম্মিস্নার রজিবকুমারনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

রসিয়াগী মীখলদা পুতিন মায় পাকখ্রে

নেটোগী থৌওংনা মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও লাকপা য়াই ঃ পুতিন

মোস্কো, মার্চ ১৮ (এজেন্সি) : হৌখিবা মার্চ ১৫ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা রসিয়ান প্রসিদেন্সিয়েল মীখল অদুদা অপুনবা ভোট মশিংদগী চাদা ৮৭ ফংদুনা প্রসিদেন্ট পুতিননা মহাক্কী লম্বা অহুমবু ইরায় লায়না মায়থিবা পীদুনা চহী ৬ অমগা অমুক রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনবা শেম শাখিবগা লোয়ননা ভোট কারবা মতুংদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা যু এস না লুচিংবা মিলিটরি এলাইন্স নেটোগী মখাদা লৈরিবা নোংচুপ লৈবাকশিং অসিনা রসিয়াদা অমসুং রসিয়াগী এলাইন্সশিংদা তৎতনা খৎনবা হৌরিবা অসিনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা রসিয়া অমদি নোংচুপ লৈবাকশিংগী মরক্তা লান থোক্লবদি মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও থোরকপা য়াই হায়না মীয়ামদা চেকশিন ৱা থমখ্রে।

কুমজা ১৯৬২ দা থোকখিবা ক্যুবান মিসাইল ক্রাইসিস অদুদা মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও থোকপা য়াবগী ফিভম ওইখিবা অদুগুম্না হৌজিক রসিয়ানা স্পিসিয়েল মিলিটরি ওপরেসননি হায়না যুক্রেনদা চথরিবা লান অসিনা মরম ওইদুনা রসিয়া অমদি নেটোগী লৈবাকশিংগী মরক্তা য়ানদবা অমদি চয়েৎনবা কয়া থোকপনা মরম ওইরগা মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও থোরকপা য়াবগী অচৌবা মচাক অমা ওইরি।

ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুল মেক্রোননা যুক্রেনদা লান্মী থাজিল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না হৌখিবা থাদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ৱাফম অসি নোংচুপ লৈবাক খরনদি তৌরোই হায়খ্রবসু যুরোপকী যুক্রেনগা যুমথংননা লৈরিবা লৈবাকশিংনদি শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মেক্রোননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা পুতিননা মোদর্ন ৱর্ল্ড অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা পুম্নমক ওইথোক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। নেটোনা তৌনিংবদা তৌদুনা লাক্লিবা অসি লান পান্মী হায়বগী খুদম অমনি। ৱর্ল্ড ৱার থ্রি থোকপনা কনাগীসু অফবা ওইরোই হায়বসি নোংচুপ লৈবাকশিংদি খঙদবগুম তৌই। রসিয়াগী এলাইশিংদি ৱর্ল্ড ৱার থ্রি হায়বসি পামদ্রবসু নেটোগী মখুৎতা ইরৈবাক মুৎকদবা ওইরবদি চিংনবা লৈতনা লাম্হেংনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পুতিননা মখা তানা যুক্রেনদা নেটোগী মিলিটরি পার্সোনেল লান য়াওদুনা লৈরে হায়বসি ইফোং ফোংলবা ৱাফমনি। রসিয়াগী লান্মীশিংনা যুক্রেনদা ওপরেসন চথবা মতমদা ইংলিশ অমদি ফ্রেন্স লোন ঙাঙবা লান্মী কয়া থেংনরকখ্রবনি। নেটোনা মথৌসু নত্তনা যুক্রেনদা লান্মী থারক্লিবসি লান পান্মী তাকপনি হায়খি।

গাজাগী হোস্পিটালদা ইজরেলগী ফোর্সনা

লান্দাবদা হামাস টেররিষ্ট য়াওনা নুপী অঙাং কয়া শিরে

জেরুসলেম, মার্চ ১৮ (এজেন্সি) : ইজরেলগী ফোর্সনা ঙসি গাজাদা লৈবা অল-শিফা হোস্পিটালদা রেইদ চথবদা হামাস টেররিষ্টনি চিংনবা মীওই খরনা হোস্পিটাল মনুংদগী নোংমৈ কাপথোরকই হায়দুনা হন্দুনা নোংমৈ কাপশিনবদা টেররিষ্ট য়াওনা হোস্পিটালদা লৈরম্বা নুপী অঙাং কয়া শিরে হায়রি।

ইজরেলগী মিলিটরি ফোর্সশিং অদু গাজাগী হোস্পিটাল অসিগী মনাক্তা ওপরেসন অমা চথদুনা লৈরম্বনি। অদুবু হোস্পিটালগী কম্পাউন্দদা চংশিল্লুবা মতমদা হোস্পিটালগী থোঙনাওদগী নোংমৈ কাপথোরকখিবনি। মদুদা ফোর্সশিং অদুনা হন্দুনা নোংমৈ কাপশিনখিবনি। মিলিটরি ওপরেসন অসি হোস্পিটাল অসিদা হামাসকী লুচিংবশিং লৈরে হায়বগী অখন্নবা ইন্টলিজেন্স পাউ অমা ফংবদগী চথরকখিবনি হায়না ইজরেলগী মাইকৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইজরেলগী ৱাফম অসিদা পাউখুম পীরদুনা গাজাগী হেল্থ মিনিষ্টরনা ইজরেলগী মিলিটরিনা হোস্পিটাল কম্পাউন্দদা গেট থুগায়দুনা চংলকখিবনি। অদুগা মথোং মরম খঙদনা হোস্পিটাল মনুংদা নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকখি । মদুদা হোস্পিটাল মনুংদগী মৈ হৌরক্তুনা মৈখুনা পুংফুল ফুনখি।

হোস্পিটাল অসিগী সর্জরি অমসুং ইমার্জেন্সি যুনিটতা নুপী অঙাং কয়া নোংমৈ মখোলনা থোকপা ঙমদবদগী মৈখু অদুদা শ্বোর ফুন্দুনা শিখি। হোস্পিটালগী থোঙনাওদা চোংথোক্কে তৌজবা মীওই কয়াসু টেররিষ্টনি হায়না হেক উবগা ইজরেলগী ফোর্সশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

নোংমৈ কাপ্পা লোয়খ্রবা মতুং হিংহৌবা মীওইশিং কন্নবা হোৎনগদবসু চাক্লিবা মৈ অদু কনমনখিবনা করিসু তৌবা ঙমখিদে হায়না পলেষ্টাইনগী হেল্থ মিনিষ্টর ডা. মাই অল-কাইলানা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

ইজরেলনা গাজাদা লৈবা হোস্পিটাল কয়াদা লান্দাদুনা লাক্লিবা অসি মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মসিগী মথক্তা অল-শিফা হোস্পিটাল অসি গাজা মীয়ামগী অমত্তা ঙাইরবা চংজফম ওইরিবনি। ইজরেলগী মাইকৈদগীদি হোস্পিটাল অসি হামাসকী ফাইটর টেররিষ্টশিংগী বেজনি। মসিদা অনা-লায়েংগী মরুমদা মখোয় অয়াম্বা লোৎতুনা লৈরে হায়না চার্জ তৌরিবনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদসু ইজরেলগী এয়রষ্ট্রাইকনা গাজাগী হোস্পিটাল মনাক্তা অরৈবা ফিরোল তাশিন খোমজিন্দুনা টেন্ট খল্লগা লৈজবা মীওই কয়া হাৎখ্রবনি।

কিম জোং উনগী মচানুপীনা মহাক্কী মহুৎ শিল্লকপা য়াই

সিওল, মার্চ ১৮ (এজেন্সী): সিওলগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিনা ঙসি কিম জোং উনগী মহুৎ ওইনা তুংদা মহাক্কী মচানুপী জু এই না শিল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি নোর্থ কোরিয়াগী মীদিয়াদা কিম জোং উনগী মচানুপী অসিবু 'য়াংদো' হায়না কৌখিবা অদুগী মতুং ইন্না ফোঙদোরকখিবনি। য়াংদো হায়বসি কোরিয়ান লোনদা 'ঐখোয়বু লুচিংবীরিবা মীওই' হায়বনি। মিঙ্গৌ অসি নোর্থ কোরিয়াগী অচৌ অশাং অমদি সুপ্রিম লিদরগী ফম পায়রক্কদবা মীওইশিংদা খক্তা কৌনে।

সিওলগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্স পার্সন কূ বিয়োং সামনা ফোঙদোকখিবদা চহী ১২ খক্তা ঙাইরিবা জু এই না নোর্থ কোরিয়াগী সুপ্রিম লিদর ওইরকপা য়াই। করিগুম্বা মসিনা অশেংবা ওইরক্লবদি নোর্থ কোরিয়া মরাই চাইথরক্কনি হায়খি।

[illegible]

[illegible]

ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিমগী দিটেলস পুম্নমক পুথোক্লে হায়না এফিদেভিট ফাইল তৌরক্কদবনি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি) : ঙসি ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিমগী মতাংদা পাঙথোকখিবা সুপ্রিম কোর্টকী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চকী হিয়ারিং অদুদা ইন্দিয়াগী চিফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচূড়না লাক্লিবা মার্চ ২১ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিমগী দিটেলস পুম্নমক পুথোক্লে হায়না এভিদেভিট অমা ফাইল তৌরক্কদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

ৱাফম অসি সুপ্রিম কোর্টনা এস বি আইদা স্কিম অসিগা মরী লৈনবা যুনিক অল্ফন্যুমরিক কোদ অদু পুথোকউ হায়না য়াথং পীখিবদা এস বি আইগী মাইকৈদগী মখোয়গী খুৎতা লৈরিবা দিটেলস পুম্নমক পুথোক্কনি, লোৎশিন্দুনা থমহৌবগী ৱাফম লৈতে হায়না এস বি আইগী কাউন্সেল সিনিয়র এদভোকেট হরিশ সলভেনা পাউখুম পীখি। সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্সন মতুং ইন্না এস বি আইনা পুথোরকখিবা দিটেলশিং অদু নৈনরবদা বি জে পিনা খ্বাইদগী য়াম্না শেনফম ফংলম্লে হায়বসু খঙবা ঙমখ্রবনি।

SAINIK SCHOOL IMPHAL (MANIPUR) [illegible]
P.O. PANGEI YANGDONG, IMPHAL EAST - 795114
RECRUITMENT NOTIFICATION

Applications are invited for following vacancy at Sainik School Imphal:-

S. No.	Name of the Post	No. of Posts Type of Post	Age as on 01 May 2024	Reservation Category
1	Driver	01 (Regular)	18-50 Years	OBC

How to Apply. For detailed Notification including Essential Qualification, reservation criteria, salary and Application Fom, visit School website https://ssimphal.nic.in/ . The Last Date for Receipt of Applications will be 30 days from the date of publication of the advertisement. The School administration reserves the right to cancel the vacancy due to administrative reasons.

HL-B/8660/19 March
PRINCIPAL/-

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL) : MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 240/SDC/IW(C) of 2024 dt. 4/3/2024

Wahengbam Indibar Singh, S/o (L) Wahengbam Imo Singh of Sagolband Sayang Pukhri Mapal
- Petitioner(s)

- Versus -

Late Wahengbam Ongbi Subadani Devi, W/o Gokulchandra Singh of Sagolband Sayang Pukhri Mapal
- O.P (s)

[illegible] / NOTICE
Lamphel, 18/3/2024

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Wahengbam Ongbi Subadani Devi গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নং 88-Lalambung গী Patta No. 403(O) 808 (N) Dag No. 4127 area 0.0146 hectare (2) Patta No. 792 (O) 819 (N) Dag No. 4411 area 0.0085 hectare, (3) Patta No. 792 (O) 808/820 (New) Dag No. 4127/4412 area 0.0085 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি Wahengbam Indibar Singh গী মমিংদা পানবিনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- **BC to SDC**
Imphal West (Central)
HL-P/10126/19 March

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL-EAST

Ref :- Mutation Case No. 62/SDC/SWG of 2024

Parties:- Yendrembam Ibemhal Devi, W/o (L) Y. Irabot Singh of Kangla Siphai
- Petitioner

-VS-

Late Pattadar
Yendrembam Irabot Singh, S/o Kullabidhu Singh of Kangla Siphai
- Opposite Parties

[illegible] / NOTICE
Sawombung, the 18th March, 2024

Under Section 46 (3) of M.L.R & L.R Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুন নং: 36-Kangla Siphai পট্টা নং: … (অরিবা) 411 (অনৌবা) দাগ নং: 488 মোট এরিয়া 0.70 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Yendrembam Irabot Singh মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আইবা চে ওইনা আপটি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

Sd/- **BC to SDC**
Sawombung, Imphal East
HL-P/10122/19 March

[illegible]
LABEL A
RECRUITMENT

The deserving candidates are requested to submit their resume on or before 25th March 2024 . Label A is for a coaching Institute of NEET & JEE entrance, label B for faculty posts of a Higher Secondery School, label C for non teaching staff and label D for Marketing section owning two wheeler . For teaching Profession, candidates currently working in a reputed institution are more preferable and more salary is based on experience and teaching satisfaction.

Sl.no	POST NAME	POST NO	QUALIFICATION	EXPERIENCE	PREFERABLE	SALARY
1	MATHEMATICS LECTURER	2	M.Sc Maths	MORE THAN 5 YRS		Best in the Market
2	PHYSICS LECTURER	2	M.Sc Physics			
Label (B)						
1	CHEMISTRY LECTURER	3	M. Sc. CHEMISTRY	More than 2 yrs	Plus B. Ed.	15k to 25k
2	BIOLOGY LECTURER	2	M. Sc. BIOLOGY	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15k to 25k
3	MATHEMATICS LECTURER	3	M. Sc. MATHEMATICS	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
4	PHYSICS LECTURER	3	M. Sc. PHYSICS	More than 2	PLUS B. ED.	15K TO 25K
5	MANIPURI LECTURER	2	M.A. MANIPURI	More than 2	PLUS B. ED.	15K TO 25K
6	ENGLISH LECTURER	2	M.A ENGLISH	More than 2yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
7	HISTORY LECTURER	2	M.A. HISTORY	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
8	POL. Sc. LECTURER	2	M.A. POL. Sc.	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
9	GEOGRAPHY LECTURER	2	M.A. GEOGRAPHY	More than 2	PLUS B. ED.	15K TO 25K

LABEL(C) NON TEACHING STAFF		POST NO	SALARY
1	Computer OPERATOR	1F+ 2M	8K—12K
2	OFFICE ASSISTANCE	3F + 2M	7K -10K
3	WARDEN (M+F)	2F + 2M	12K-17K
4	SECURITY (F) + (M)	2F + 2M	7K-10K
5	OFFICE CLEANER (F)	3 F	NEGOTIABLE

LABEL (D))		POST NO	SALARY
1	Marketing Manager (MBA)	2F + 2M	Negotiable
2	Asst. Manager (Graduation)	3F + 3M	Negotiable

For details visit OFFICE of Advanced Coaching Institute (Nagamapal) opposite auto park near RIMS ROAD or ACI Branch of kwakeithel Akham Leikai
WhatSAPP 8787586090 or 7641030857

HL-B/8530/19 Mar. (30 days Alt)

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 194/AS&SO/K **Date. 7-3-2024**

I. Waikhom Ongbi Sanahanbi Devi, W/o Naocha Singh of Elangkhangpokpi
II. Yumnam Thoi Devi, W/o Deben Singh of Langmeidong Maning Makha Leikai
III. Laishram Ibemcha Leima, W/o Somendro Meitei of Wabagai Kadajit Maning leikai

- Vrs -

Thounaojam Babuyaima Singh, S/o (L) Pakchao Singh of Langmeidong Maning Leikai

[illegible] / NOTICE

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং ৭১/লাংমৈদোং পাটা নং ১০৫৬/৩৫৬ অনৌবা দাগ নং ১৩৮২ এরিয়া .২৭৫ একর ইংখোল অসিগী পাটাদার থৌনাওজম য়াইমা সিংহ পী: মৃ: পাকচাও সিংহ সাং লাংমৈদোং মনিং লৈকায় অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাটাদারগী মিং ককথৎপীরগা Petitioner গী মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Asst. Survey & Settlement Officer,
Kakching : Manipur
HL-P/10117/19 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Ref: 9/SDO/LIL/Cert/2015(pt)/252 **Dated, the 18-3-2024**

Mumtaz, W/o Late Md. Ansarul Haque of Lilong Haoreibi Makha Leikai, P.O & P.S-Lilong Tbl. Dist. Manipur

[illegible] / NOTICE
Lilong the 18/3/2024

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Mumtaz, W/o Late Md. Ansarul Haque of Lilong Haoreibi Makha Leikai P.O/P.S-Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Lilong
HL-P/10121/19 March

No.4(21)79-80/JNMDA

OFFICE OF THE JAWAHARLAL NEHRU MANIPUR DANCE ACADEMY, IMPHAL

[illegible]/NOTIFICATION

Imphal, the 18th March, 2024

The notification No. 4(21)79-80/JNMDA dated 14th March, 2024 through local newspaper for Walk-in-Interview for the post of Visiting Gurus, Guruhans, Gurus and Experts which has earlier scheduled to be held on 23rd March, 2024 is postponed sine-die due to some unavoidable circumstances.

Sd/-
P. Bilash Singh
Director, JNMDA
HL-B/8661/19 March

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL-EAST

Ref :- Mutation Case No. 61/SDC/SWG of 2024

Parties:- Sharangthem Ibotomba Singh, S/o Late Sh. Khomei Singh of Sanjenbam Khullen Makha Leikai
- Petitioner

-VS-

Late Pattadar
Sharangthem Khomei Singh, S/o Late Sh. Tomba Singh of Sanjenbam Khullen Makha Leikai
- Opposite Parties

[illegible] / NOTICE
Sawombung, the 18th March, 2024

Under Section 46 (3) of M.L.R & L.R Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুন নং: 60-Sangsabi পট্টা নং: 181 (অরিবা) 262 (অনৌবা) দাগ নং: 1118 মোট এরিয়া 0.77 acre out of 1.62 acre একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Sharangthem Khomei Singh মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আইবা চে ওইনা আপটি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

Sd/- **BC to SDC**
Sawombung, Imphal East
HL-P/10122/19 March

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, MANIPUR

Ref :- Mut Case No. 135/AS&SO-X **Date: 18/3/2024**

Manish Shahi, S/o Late Kiran Shahi of Mantripukhri Devilane
- Petitioner

- Vrs -

Late Kharga Bahadur Shahi, S/o Late Luxman Shahi of Mantripukhri Devilane
- O. P.

[illegible] / NOTICE
Imphal 18/3/2024

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 8-Mantripukhri পাট্টা নং (1) 84, (2) 39/Ang অরিবা (1) 136, (2) 65/321 অনৌবা দাগ নং (1) 137, (2) 139/478 এরিয়া (1) .13, (2) .144 একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার নং Kharga Bahadur Shahi, S/o Late Luxman Shahi of Mantripukhri Devilane মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী মতাশিং অমসুং ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 26/3/2024 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Assistant Survey & Settlement Officer-X
Manipur
HL-P/10118/19 March

[illegible]

NEW ERA KEINA GIRL'S HOSTEL

OPPOSITE IMPHAL COLLEGE GATE, KWAKEITHEL NINGTHEMKOL LANE 2

ADMISSION AND COUNSELLING OPEN 2024

FOR CLASS XII SC (COHSEM)

SPECIAL FEATURES :
i) Tutorial classes inside hostel only by well trained, qualified and dedicated teachers currently serving in most reputed schools in the city.
ii) Van services from hostel.
iii) Extra Classes for weak students.
iv) Printed study materials.
v) Strict rules & regulations.
vi) Traditional nutritious, hygienic and delicious fooding menu on rotational basis.

SESSION STARTS FROM 4TH APRIL, 2024

40 Seats only
CONTACT : 9366407996, 9366299374, 9383218404

HL-P/9986/16/3-4/4